ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ২০১৮ দা চীং-তমগী মীপুম খুদিংমক শরুক য়ানবা অপীল তৌরক্লি

মশা মউ ফবা মীওইনা মশীং য়াম্না লৈরবা মতমদা মপাঙ্গল কনবা খুন্নাই ওইগদৌরিবনি : হেমলেট

এ এফ সীগী কো-ফাউন্দর পি ঐচ রামেশ (ওই) অমসুং এ এফ সীগী মেনেজিং দিরেক্টর য়ুম্নাম হেমলেট (ষ্ট্রোং মেন ওফ ইন্দিয়া)

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) : মশা মউ ফবা মীওইনা মশীং য়াম্না লৈরবা মতমদতা মপাঙ্গল কনবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনি। মরম অসিনা খুন্নাই অসিদা মশা মউ ফবা মীওইনা মশীং য়াম্না লৈহন্নবগীদমক অপূনবা ফিটনেস সেন্টরনা অঙন্বা থৌদাং লৌখিগনি হায়না সেন্টর অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর য়ূম্নাম হেমলেটনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবা অমদা নাগামপাল রিমস রোদতা লৈবা অপূনবা ফিটনেস সেন্টরগী মেনেজিং দিরেক্টর ওইরিবা ষ্ট্রোংমেন ওফ ইন্দিয়াগী টাইটল অহুল্লক, নেসনল চেম্পিয়নগী টাইটল মরিরক, এসিয়ন ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ওইরিবা য়ুম্নাম হেমলেটনা হায়খি, মীওইবনা হকচাং ফনা লৈরবা মতমদতা অফবা ৰাখল খলহল্লি হায়বসি অখণ্ড-অহৈশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোকপীদুনা লৈরবনি। মণিপুরী খুন্নাই অসিবু হেন্না মাঙজিল থাহন্ননবা অমদি খুন্নাই অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবগীদমক মফম অসিদগী মশা মউ ফবা, তিঞ্জং-কায়জংদবা মীওই মশীং য়াম্না লৈহনবা মথৌ তারি।

খুন্নাই অসিবু মপাঙ্গল কনবা খুন্নাই অমা ওইহন্ননবা অমদি ময়াই কাবা চীঞাক্কী ইপাক্তগী নহা ওইরিবশিংসু কলহৌনবগী পান্দমদা অপূনবা ফিটনেস সেন্টরনা কুমজা ২০১০ দগী হৌদুনা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অখন্নবা মনা থমদুনা পাঙথোক্লিবা ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসি শিন-লাংনবা হোৎনবদা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরবসু খুন্নাই অসিগী য়াইফনবগীদমক অঙন্বা থৌদাং সেন্টর অসিনা ঙসি ফাওবা লৌদুনা লাক্লি।

চহী চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিনা লমদমসিগী মীয়াম্বু মশা মউ ফনা লৈনিংবগী ৰাখল্লোন অমসু চেলহনবা ঙমহন্নবগীদমক অসিগুম্বা মখলগী চাংদম্নবা অসি পাঙথোকপনি। চহী খুদিংগী ওইনসু মীয়ামদা মশা মউ ফনা লৈনিংবগী ইথিল পীননবা চেলেঞ্জ অসিদা মীয়াম্না পাম্নগদবা মওংদা শিন-লাংলি।

কুমজা ২০১০ দা অহানবা ওইনা হৌখিবা ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অদুদা মীওই ২০০ রোমতমক শরুক য়াবা লাকখ্রবসু কুমজা ২০১১ দগী ঙসি ফাওবদি চহী খুদিংগী ওইনা মীওই ৫০০ রোম্না লেপ্তুনা মশা মউ ফবা চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মীওইশিংবু নেচরেল ওইবা মওংদা মশাগী অৰাংবগা অরূম্বগা চান্ননা লৈহন্দুনা মশা মউ কনানা হেন্না ফনা লৈগে হায়বদু অথোই-অহেন তান্নহনবনি।

কম্পিটিসন অসিদা অপূনবা ফিটনেস সেন্টর খক নত্তনা তোঙান তোঙানবা ফিটনেস সেন্টরশিংদা শান্নরিবা মীওই কয়ানসু শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীদুনা লাক্লি। চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা নিপানশুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ ২০১৮ অসিসু য়াম্না ট্রান্সপরেন্সি লৈনা পাঙথোক্লনবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা লোইরে। ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা কম্পিটিটরশিংনসু মখোয় মখোয়না পোইন্ট ফংগদবা ৰারোলশিং অদুসু শুগাইনা থম্বগা লোয়ননা মখোয় মশা মশাদা খঙহনগনি।

থা অহুম চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবশিংনা অহেনবা ফুদ সপ্লিমেন্ট শীজিন্নবগী মথৌ তারোই। বেলেন্স দাইট চারগা মশা মউ ফনা লৈবা ফিভম অদুদা চাংদম্নগদৌরিবনি। অসিগুম্না চহী খুদিংগী মশা মউ ফবা মীনা মশীং য়াম্না থোরল্লবা মতমদতা খুন্নাই অসি মাঙলোমদা হেন্না চঙশিনবা ঙমগনি হায়নসু য়ুম্নাম হেমলেটনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

উনবা অদুদা অপূনবা ফিটনেস সেন্টরগী কো ফাউন্দর পি ঐচ রামেশনা হায়খি, চাংদম্নবা অসিদা ষ্টেট অসিগী মফম খুদিংদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না শরুক য়াবা য়াই। হৌখিবা চহীশিংদা পাঙথোকখিবা ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জশিংদা তম্পাক লমদমদা লৈবা মীওইনা হেন্না মশীং য়াম্না শরুক য়ারি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা মীয়াম্নসু অসিগুম্বা ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিদা শরুক য়াহন্নিংই। মীয়াম্নসু কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ারবদি মশা মউ ফনা লৈহৌবগী খুদোংচাবা অমসু শোয়দনা ফংগদৌরি। মরম অসিনা অসিগুম্লবা ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসিদা লমদমসিগী মীপুম খুদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু অমদি চেলেঞ্জ অসিবু মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা পুন্নমক্না মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, মশা মউ ফবা চাংদম্ননবগীদমক পাঙথোক্লিবা ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসি ষ্টেটকী থাক খক নত্তনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ওইবা থাক্তা ফাওবা পুখৎতুনা পাঙথোকহন্নিংই। টুরিজম দিপার্টমেন্টনা শিন-লাংদুনা পাঙথোকপা সঙাই ফেষ্টিবেলদসু হায়রিবা ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জ অসি য়াওহল্লবদি টুরিষ্টশিংগী পূক্নিং হেন্না চিংশিনবা ঙমগনি হায়নসু মশা মউ ফনা লৈনিংবা মীওই কয়ানা পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লরক্লি।

---

৫ শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ

য়ু জি এমগী এল নেতানা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওভরোল ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এ এম জি দব্লিয়ু এ) গী মীৎয়েং মখাদা বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট (বি বি এ আই দব্লিয়ু দি) না শীন্দুনা নাওরেমথোং শমুশঙদা লৈবা ব্রিলিয়ন্ট কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৮ দা নাওরেমথোং য়ু জি এমগী এল নেতানা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওভরোল ৱিন্নর ওইখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা তোঙান তোঙানবা জিমদগী জুনিয়রগী কেটিগরিদা শাফবা ১২, সিনিয়রদা শাফবা ৬ অমসুং মাষ্টর্স কেটিগরিদা শাফবা ২ পূন্না শাফবা ২০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৮ গী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ আদর কনষ্ট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যের বোর্দকী চ্যেরপর্সনসু ওইরিবা সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা চীফ গেষ্ট, বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট (বি বি এ আই দব্লিয়ু দি) কী প্রসিদেন্ট সাপম জয়চন্দ্রনা প্রসিদেন্ট অমসুং এ এম জি দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট এস থম্বাল শর্ম্মা, ৱার্দ নম্বর ২৭ কী কোওপরেটর হেরোজিৎ ঙাঙোম্বা অমদি আই পি এস এগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

জুনিয়র কেটিগরিদা য়ু জি এম নাওরেমথোংগী এম দি সাহভাস সাহনা অহানবা, ইন্দ্র য়াইস্না খুন্থোংগী সোরাইসম প্রিয়াঙ্কারনা অনীশুবা, সলাই বোদি স্কল্পচরগী ঙাংবম সুনন্দনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সিনিয়র কেটিগরিদা য়ু জি এম নাওরেমথোংগী এল নেতানা অহানবা, কে এফ সী শিংজমৈগী সোইবম রোবর্টনা অনীশুবা অমসুং সঙাই জিম খাগেমপল্লিগী মুতুম অমরনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। মাষ্টর্স কেটিগরিদনা সঙাই জিম খগেমপল্লিগী মুতুম অমরনা অহানবা অমসুং পমখাল জিমগী টি ঐচ রামেশ্বরনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

মঙাশুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৮ গী ওভরোল ৱিন্নরনা য়ু জি এম নাওরেমথোংগী এল নেতানা তাখি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা তোঙান তোঙানবা কেটিগরিদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা অমসুং ওভরোল ৱিন্নর ওইখ্রবদা মেদল, ট্রোফি অমসুং মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

হেল্দি য়ুথস ফোর হেল্দি সোসাইটিগী পান্দমদা ৱাই এফ সী ফিটনেস সেন্টর হাংদোকখ্রে

থৌবাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস)ঃ য়ুথস ফোর চেঞ্জ (ৱাই এফ সী), খাঙবোক মাইস্নাম লৈকাইনা "হেল্দি য়ুথস ফোর হেল্দি সোসাইটি" হায়বা পান্দমদা "ৱাই এফ সী ফিটনেস সেন্টর" হায়না মীংথোনবা জিম সেন্টর অমা ঙসি হাংদোকখ্রে।

ঙসিগী জিম সেন্টর অসি হাংদোকপগা মরী লৈননা মাইস্নাম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা টিঐচ জাদুমনি, ফোর্মর ষ্টেট ভাইস প্রসিদেন্ট বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা অথোইবা মীথুং, কে ঐচ রাজমোহোন জিলা পরিষদ মেম্বর খাঙবোকনা থৌরম মপু অমদি এস ওপেন্দ্রো, প্রধান, খাঙবোক পার্ট ২ জি পি, এম লৈশানু, প্রধান, খাঙবোক পার্ট-৩ জি পি, এন ওংবী মালা, প্রধান, খাঙবোক পার্ট-১ জি পি অমসুং এম ভ্যাস, ফাউন্দর/ইনষ্ট্রক্টর, সলাই ফিটনেস এন্দ জিম সেন্টর, ৱাংজিংনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু ময়াই কাবা চীঞাক্না নোংমা নোংমগী লাকশিল্লকপা অসিদগী কলহৌনবা অমদি মশা মউ ফবা তিঞ্জং কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইরক্নবগী পান্দমদা য়ুথস ফোর চেঞ্জ, খাঙবোক মাইস্নাম লৈকাইগী সেক্রেটরি লাইশ্রম লনচেনবনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনরকপদগী ঙসিগী জিম সেন্টর অসি হাংদোকপা ঙম্লকপনি হায়রি।

থৌরম অদুদা ৱার্দ মেম্বরশিং অমদি লৈকাইগী মীয়াম্না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা সলাই ফিটনেস এন্দ জিম সেন্টর, ৱাংজিংগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবশিংসু উৎতুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি।

---

৭ শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৮ লোইশিনখ্রে

মণিপুর থাঙ-তা টিমনা গোল্ড ৭৯, সিলভর ২২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ১০২ ফংদুনা ওভরোল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

চান্দিগর, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস)ঃ চান্দিরগী ১০ শুবা সেক্টরগী স্কেটিং রিঙ্ক স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট চান্দিগর এদমিনিষ্ট্রেসনদা থা অসিগী ৯ দগী ১২ ফাওবা থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৭ শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৮ দা মণিপুর থাঙ-তা টিমনা গোল্ড ৭৯, সিলভর ২২ অমসুং ব্রোঞ্জ অমা পূন্না মেদল ১০২ ফংলগা ওভরোল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৫ গী শান্নরোয় নুপা ২৯৯, নুপী ২৫১ অমসুং ওফিসল ৬৮ পূন্না মীওই ৬১৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৭ শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৮ গী লোইশিনবা নুমিৎতা সিনিয়র মেন ফুনবা অমা ইভেন্টকী কেজি ৪৬ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী কে ঐচ নেত্রজিৎনা গোল্ড, অসামগী রুপম শর্ম্মনা সিলভর অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী স্রায়াম রোইনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেজি ৫০ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী দিনেশ ঙাঙোমনা গোল্ড অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সন্দিপ কুমারনা সিলভর লৌখি। কেজি ৫৮ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এম মনিনা গোল্ড অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী জহাঙ্গিরনা সিলভর লৌখি। কেজি ৬৬ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী কে লকিনা গোল্ড, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী অমন্দিপনা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী কুলদীপ কুমারনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৭৫ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এল সোমোরজিৎনা গোল্ড অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মাক্সুট সিংহনা সিলভর মেদল লৌখি।

সিনিয়র মেন ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টকী কেজি ৪৬ কী কেটিগরিদা মণিপুরগী ঐচ সদানন্দনা গোল্ড মেদল লৌখি। কেজি ৫০ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী হুইদ্রোম ঙান্থোইবনা গোল্ড অমসুং হরিয়ানাগী জয়পালনা সিলভর মেদল লৌখি। কেজি ৫৪ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী কে লেম্বনা গোল্ড, হিমাচল প্রদেশকী ওম প্রকাশনা সিলভর অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী আমন ভর্মনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। কেজি ৬২ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এন বিদ্যানন্দ অঙোমনা গোল্ড, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মঞ্জিৎ কুমারনা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী মন্দিপনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৬৬ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী ঐচ হেন্দসমনা গোল্ড, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মুষ্টাহিক মুষ্টাকনা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী অক্সে মুথ্রেজানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। কেজি ৭০ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এ বর্ন্টিনা গোল্ড অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সুহিল অহমদ দারনা সিলভর মেদল লৌখি। কেজি ৮০ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী পি ববিনা গোল্ড, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মাসুম অন্সরনা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী কুলদীপনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

সিনিয়র ৱুমেন ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টকী কেজি ৪৪ মখাগী কেটিগরিদা এ অঞ্জনা চনুনা গোল্ড অমসুং রাজস্থানগী পলবিনা সিলভর মেদল লৌখি। কেজি ৫৬ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী পি চাওবনা গোল্ড অমসুং রাজস্থানগী মুস্কাননা সিলভর মেদল লৌখি।

৭ শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৮ দা মণিপুরগী হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএননা গোল্ড ৭৯, সিলভর ২২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ১০২ ফংদুনা ওভরোল টিম চেম্পিয়ন, জম্মু এন্দ কাশ্মীর থাঙ-তা এসোসিএসননা গোল্ড ২৩, সিলভর ৩৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ১৪ পূন্না মেদল ৭২ ফংদুনা ওভরোল টিম রন্নর্স অপ, ওল মহারাষ্ট্র থাঙ-তা এসোসিএননা গোল্ড ৫, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৭ পূন্না মেদল ১৭ ফংদুনা অহুমশুবা, ওল ত্রিপুরা থাঙ-তা এসোসিএসননা সিলভর ৪, ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৬ ফংদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

লাইশ্রম সায়োন মৈতৈ ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২(ঐচ এন এস)ঃ থা অসিগী ২দগী ৮ ফাওবা ক্রোসিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কেদেট রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৮দা সিলভর মেদল ফংলক্লবা লাইশ্রম সায়োন মৈতৈ ওকপগী থৌরম অমা ঙসি হৈরোকতা লৈবা ঙরৌথেল কম্যুনিতি হোলদা য়ঙ ব্রিলিয়েন্ট ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

সায়োন ওকপগী থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন, লেবর অমসুং এমপ্লোই-মেন্টকী মিনিষ্টর ওইরিবা থোকচোম রাধেশ্যামনা চিফ গেষ্টকী ৱারোল থমদুনা নহা ওইরিবাশিংগী পুন্সিদা স্পোর্টস অমসুং এদ্যুকেসনবু মরু ওইবা মফম অমা কলহনগদবনি হায়খি। মণিপুর অমদি হৈরোককী ওইনা লাইশ্রম সায়োন মৈতৈনা য়াম্না চাওথোকচনিঙাই ওইবা তাঙ্কক অমা পুরকপা ঙমখ্রে। মখাতানা সায়োন মৈতৈনা ষ্টেট অসিদগী নত্তনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ হেন্না পুরকপা ঙমগনি হায়না ফোংদোকখি। মীওই অমনা পুন্সিদা খনখিবা ৱাখল অদুগী হাইদোক্তুনা চেকশিন্না হোৎনরবদি মায়পাকপা ঙমগনি হায়না লাইশ্রম সায়োন মৈতৈ ওকপগী থৌরম অদুদা মখা তাখি।

লাইশ্রম সায়োন মৈতৈ ইম্ফালগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা ট্রেনিং ফংলবা মতুং নাসিক আর্মি বোইজদা খল্লক্তুনা রেষ্টলিং মশান্না অদুদা ইন্দিয়াগী অমদি ইন্টর্নেসনেল চেম্পিয়নসিপ কয়াদা শরুক য়াখি। মহাক চহী অসিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়নসিপ্তসু শরুক য়াখি হায়রি।

য়োনেক্স সনরাইজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২(ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসন (এম বি এ) না শীন্দুনা ওগষ্ট ৯ দগী ১২ ফাওবা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা বেদমিন্টন ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা য়োনেক্স সনরাইজ ওল মণিপুর মিনি এন্দ সব-জুনিয়র রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি লোইশিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিসকী দি জি পি এল এম খাওতে (আই পি এস) না চীফ গেষ্ট, সাই এন ঈ আর সী মণিপুরগী দাইরেক্টর ফ্রান্সিস মারৱিননা প্রসিদেন্ট অমসুং বেদমিন্টনগী নেসনল রেফরিসু ওইরিবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী রিটায়র্দ দি এস ও গুরুঅরিবম চিত্তরঞ্জন শর্ম্মনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৫ মখাগী গর্লস সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি মার্সি টি ঐচনা সগোরিকা এনবু ২১-১৫, ২১-১৭ তা, চহী ৯ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা সুসান্ত এমনা মার্টিন আইবু ২১-১৪, ২১-৮, অমসুং চহী ১৫ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ৱাই সুদিসকুমারনা এ মঙালবু ২১-১০, ১৭-২১, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখি।

পনবা য়াবদি চহী ১৫ মখাগী বোইজ দবলসকী ফাইনেল মেচতা ঐচ রোহেনকুমার অমদি কে ঐচ অমরজিৎকী জুরানা ৱাই হেমজিৎ অমদি ৱাই সুদিসকুমারগী জুরাবু ১৩-২১, ২১-১৬, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখিবনি। চহী ১১ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা দেববর্তনা কিয়োভিয়ো ভিসু ২২-২০, ২১-১১ দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখিবনি। চহী ৪০ গী মেন্স দবলসকী ফাইনেলদা দিজাঙ্গো এ কে অমদি টি ঐচ তোম্বগী জুরানা এম প্রেমচান্দ অমদি সুসিল ঐচকী জুরাবু ২১-১১, ২১-১২ দা মায়থীবা পীরল্লগা কেটিগরি অসিগী ৱিন্নর ওইখি। চহী ১৩ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা টি ঐচ পেত্রিকনা এ অভিনাসপু ২২-২০, ১৮-২১, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখি।

মেন্স দবলসকী ফাইনেল মেচতা এ কে বোনি অমদি কে রবিসঙ্করগী জুরানা জি রাজেশ অমদি সাইখোম্বা টিগী জুরাবু ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখি। চহী ১৩ মখাগী গর্লস সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা কোন্সম গুনজননা সনানু মৈস্নামবু ২১-১৪, ১৫-২১, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইখি। থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিং মেদল য়াওনা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী একজিক্যুটিব মেম্বরশিংগী মীখল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২(ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী একজিক্যুটিব কাউন্সিলগী মীখল থা অসিগী ২৪দা পাঙথোক্লগনি হায়না রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইতিজগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিগী মতুং ইন্না নুমিৎ ৯০নিগী মতম পীরবা মতুং কুমজা ২০১৬কী মে থাগী ১দা পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী একজিক্যুটিব মেম্বরশিং অনৌবা একজ্যুকিটিব মেম্বরশিং খনদ্রিবা ফাওবা টর্মিনেট তৌখ্রে অমসুং অম্ফাগী হৌজিক ওফিস বিয়ররগী থবক থৌরম অমত্তা চৎনররোই হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিস ওফ দি রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজগী কনফরেন্স হোলদা ওগষ্ট ২৪গী অয়ুক পূং ১১ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদুগী রিটর্নিং ওফিসার ওইনা কে নিলাকান্তবু খল্লে। লোয়ননা ৱাই রবিকান্তনা মহাক্কী এসিষ্টেন্ট ওইগনি হায়রি।

অম্ফাগী মীখল অসিদা ভোট থাদবা য়াবা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল অমদি স্পোর্টস এসোসিএসনদগী পূন্না মেম্বর ১০৪গী লিষ্ট অমা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ, আর্মষ্ট্রোং পামেনা থোকখিবা চেরোল অসিদা য়াওরি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীহুৎ ওইগদৌরিবা মেম্বর ৮/৮শিং অদুদি, দি এস এ, চুরাচান্দপুর, দি এফ এ, থৌবাল, দি এফ এ, মোরে, দি এস এ, সেনাপতি, দি এস এ, টমেংলোং, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন, দি এস এ, উখ্রুল, দি এস এ, সদর হিলস, দি এসন এ, চান্দেল, দি এস এ, বিষ্ণুপুর, দি এফ এ, ইম্ফাল ইষ্ট, দি এস এ, ককচিং অমসুং দি এফ এ, ইম্ফাস ৱেষ্টনি।

ꯑꯦꯜ.ꯖꯤ. ꯃꯣꯇꯔꯁ
ꯐꯥꯏꯅꯥꯟꯁ

LOAN AVAILABLE
NO GUARANTOR
AREA COVER: MANIPUR STATE
TATA SUPER ACE-MINT DELIVER WITHIN 2 DAYS
> EMPLOYMENT NEWS:- MECHANIC-2/W(20-30yrs) Rs.8,000-Rs.15,000/- & SECURITY-GUNMAN(20-30yrs) Rs.6,000-Rs.Rs.17,000/-
> PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5% & 3%) P/M
> BUSINESS LOAN (12%)P/A
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.
HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com